# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 04-12-2025)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) চেংগী কার্দ পায়রিবা বেনিফিসরিশিংনা ই-কে.ৱাই.সি শোইদনা তৌননবা রাজ্যগী কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী দাইরেক্তরনা আপীল তৌরি।

২) চীং কোকথোক্তুনা পোপ্পি পান্বী থানবা হোৎনরকপদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং পুলিসকী মীওইশিংনা করি তৌরগা লৈবগে হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হংলি।

**অমসুং**

৩) দোনর মন্ত্রি জ্যোতিরাদিত্যা সিন্দিয়ানা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফমা অৱাং নোংপোক লমদমগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং হন্না য়েংশিনখ্রে।

**------**

**ইকেৱাইসি (এল)ঃ** এ.এ.ৱাই অমসুং পি.ঐচ.ঐচকী চেংগী কার্দ পায়রিবা বেনিফিসরিশিংনা ই-কে.ৱাই.সি শোইদনা তৌননবা রাজ্যগী কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী দাইরেক্তর করাম বোনোনা আপীল তৌরি।

অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা উন্নবা অমদা শ্রী বোনোনা হায়-ই-কে.ৱাই.সি হায়বসি চেংগী কার্দ পায়রিবা বেনিফিসরিশিং অদু অশেংব্রা-শেংদব্রা হায়বদু খঙদোকবা মশা মশাগী আধারগা শমহনবগী থবকি। মসি বেনিফিসরি খুদিংমকা শোইদনা তৌগদবা তঙাইফদবা থৌদাং অমনি।

ই.কে.ৱাই.সি তৌবগী থবক মপুং ফানা লোইরবা মতমদা হান্না চেংগী কার্দ পায়রিবশিংগী মরক্তা শাশিন্নবশিং য়াওরল্লবদি মখোয়শিং অদু খন্দোকপা ঙমগনি। মহাকা হায়- রাজ্য অসিদা হৌজিক এ.এ.ৱাইগী বেনিফিসরি  লাখ ১ লিশিং ৯০,৫৭২ লৈরি। অদুগা পি.ঐচ.ঐচকীনা লাখ ১৮ লিশিং ৯৬,৭১১ লৈরি।

**বিরেন (এল)ঃ** চীংশাংশিং কোকথোক্তুনা পোপ্পি পান্বী থানবা হোৎনরকপদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং পুলিসকী মীওইশিংনা করি তৌরগা লৈবগে হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হংলি।

ৱারোল অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লিংজেল মান্নদবা অমসুং চীংশাংশিং কোকথোকপা মতমদা করিসু হায়বা ঙমজদবা লুচিংবা কয়া লৈরম্বদগী ঙসিগী ফিভম অসি য়ৌরকখিবনি। মতম মতমগী ওইনা য়ান্না য়ান্নবা চৎলগা লৈরবদি ফিভম শোকচিল্লকপা হেল্লক্কনি। চীংমায়শিং কোকথোক্তুনা পোপ্পি পান্বী থারিবশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা চপ চাবা থবক লৌখৎকদবনি। থৌওং অসি খুৎলায় পায়বা কাংবুশিং য়াওনা তৌবা ওইগনি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিনা চহি অমদা অহুম মরিরক ঈশিং ঈচাউ থোকপগী মরম অমসু ওইরিবনি। আই.টি. রোডকী টি. ৱাইচোং সব-দিভিজনগী মনুং চনবা কোটলেন্দ অমসুং সেন্সি চীংশাংশিংদা থারিবা পোপ্পি পান্বীশিং থা অমা চুপা কেম্প তৌদুনা য়াম্থৎতুনাা মাংহনবগী থবক চথুবা তঙাইফদে হায়নসু শ্রী বিরেন্না মখা তানা ফোংদোক্লি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুম্বগী থবক চথুদুনা খুৎশু খুৎলায়শিং অমসুং লালহৌবশিং ফাগৎপা লেপত্রি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লোইতাং ষনদুম চীংদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা- মেগজিন অনিগা কোন্নবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, দবল বেরেল নোংমৈ অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিস্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অমা,

নোংমৈ মরু ১১৮, দিতোনেতর ৮, ট্যব লোঞ্চিং ৩, তোঙান তোঙানবা নোংমৈশিংগী মেগজিন ৮, বাউফেং হেন্দসেট মরি, পৎকা হেলমেট অমা অমসুং বি.পি. ভেষ্ট অনি য়াওরি।

কৈরাও ৱাংখেমগী ঙারিয়ান চীংখোঙদগীসু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় খরা ফাগৎখি। মদুগী মনুংদা তুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম- এস.এম.জি করবাইন অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, কিলোগ্রাম অনিরোম লুম্বা আই.ই.দি অমা অমসুং টিয়ার গ্যাস গ্রেনেদ অমা য়াওরি।

অমরোমদা, অককবা পাউশিং ফংবদগী থিবা হুম্বগী থবক চথবদা নমদুনা শেল খায়বা অমসুং আইন্না য়াদবা থবকশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎপা লেপত্রি। বিষ্ণুপুর জিলাগী তেরা উরক্তা হাংদোকপা চ্যেক পোইন্টতগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি (অপুনবা)গী মীওই অমা ফারে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোংবা শৌগ্রাকপম লৈরক্তগী মীওই অমসু নাইন এম.এম পিস্টোল অমগা কোন্ননা ঙরাং ফারে।

**গাড়ি (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা লৈরিবা মতম হেল্লবা অমনবা গাড়িশিং চপখায়বগী থবক পায়খৎলগনি হায়না রাজ্যগী ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা হায়রি।

এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরি (ত্রান্সপোর্ট) অনুরাগ ভাজপায়না থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না এন্দ ওফ লাইফ ভেহিকলস (ই.এল.ভি) কেটাগোরিগী মনুং চল্লবা মতম হেল্লবা গাড়িশিংগী রেজিষ্ট্রেসনশিং আইনগী মতুংইন্না ককথৎলগনি। অসিগুম্বা মখলগী গাড়িশিং অসি ওথোরাইজ ভেহিকল স্ক্রেপ্পিং সেন্তরশিংদা চপখায়বগী থবক চথগনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- কেন্দ্রগী রোড, ট্রান্সপোর্ট এন্দ হাইৱেজ মন্ত্রালয়না চহি অসিগী ওগষ্ট ২০ দা থোকখিবা হুকুম অমগী মতুংইন্না রাজ্য অসিদা লৈরিবা চহি ১৫ অমদি চহি ২০ হেল্লবা গাড়িশিং মখোয়গী ফিটনেস টেষ্ট তৌরবা মতুংদা মখা তানা অমুক হন্না রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী অয়াবা পীগনি হায়রি।

**এনই ঃ** দোনর মন্ত্রি জ্যোতিরাদিত্যা সিন্দিয়ানা সভাপতি ওইদুনা অৱাং নোংপোক লমদমগী লম্বী থোং য়াওনা চাওখৎ থৌরাংগী ফিভমশিং হেন্না ফগৎহন্নবা অৱাংবা থাক্কী টাস্ক ফোর্সকী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা খা-নোংপোক এসিয়াগী লৈবাকশিংগা ফাওনবগী মরুওইবা মফমশিং ওইরিবা অৱাং নোংপোক লমদমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লম্বী থোং শেমগৎনবগী অনৌবা থৌরাংশিং রেল লম্বী, ঈশিং লম্বী, ইনর্জি অমসুং দিজিতেল নেটৱার্কশিং হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা খন্নখি। লল্লোন ঈতিক তৌফমশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা, ঙমখৈ লমগী মচাক মথুমশিং হেন্না ফগৎহন্নবা য়াওনা তঙাইফদনা লৌখৎকদবা থবক থৌরম কয়াগী মতাংদসু মীফম অদুদা খন্নখি।

**নদ্দা ঃ** কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জগৎ প্রকাশ নদ্দানা হায়রি- কুমজা ২০১৫ দগী ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিদা টি.বি নাবগী চাং চাদা ২১ হন্থহনবা ঙমলে। মসি মালেমগী ওইনা হন্থরিবা অদুগী শরুক অনিরোমনি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং মহারাষ্ট্রগী সংসদ সদস্যশিংগা টি.বি. মুক্ত ভারতকী মতাংদা মীফম পাঙথোকপদা শ্রী নদ্দানা হায়- থৌশিল অসি চৎনহনবদা মহারাষ্ট্রনা মাংজিল থাবা রাজ্য অমা ওইরি। মহাকা হায়- দাইরেক্ত বেনিফিৎ ট্রান্সফর তৌবনা অনাবা মীওইশিংগী মচি ওইবা চীঞ্জাকশিং লৈবা অমসুং মখোয়গী তঙাইফদবশিং ফংহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংলি। ভারতপু টি.বি. লায়না লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবা সরকারনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসিদা মীয়ামা মতেং পাংবীনবসু শ্রী নদ্দানা আপীল তৌখি।

**মুরমু ঃ** রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- ভারত নেভিনা মশা মরোমদোম পুথোকচবা টেকোলোজিশিং মখা তানা পুথোক্তুনা ভারতপু চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী মঙলান অসি মঙফাওনহনবদা মতেং পাংগনি।

তিরুভনন্থপুরমদা নেভি ডেগী মাংওইননা ঙরাং পাঙথোকখিবা নেভি ওপরেসনেল দেমোন্সত্রেসনগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা রাষ্ট্রপতিনা হায়- ভারত নেভি অসি হৌজিক্তি লৈবাক অসিগী মনুংদা অনৌ অনৌবা দিজাইন অমসুং মচাক মথুমশিং শেমগৎপগী শক্তি লৈরবা অমা ওইরক্লি। ভারত অসি ব্লু ইকোনোমিগী লমদা মহৌশানা পীথোকচরকপা পোটেন্সিয়েল কয়া লৈবা লমদম অমনি। মসিদা নেভিনা চাউরবা থৌদাং লৌরিবনি। নেভিনা হান্নদি ঙাকশেলগী লমদা খক্তা থৌদাং য়ারম্বদগী হৌজিক্তি অনৌ অনৌবা মায়ওন কয়াদা মখোয়গী থৌদাংসু হেনগৎলক্লি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা ৱাটর পোল্লুসন এমেন্দমেন্ট এক্ট চৎনহন্নবা ঙরাং রাজ্য সভানা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা পাউ পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। চহি ২০ হেল্লবা গাড়িশিংগী রেজিষ্ট্রেসন রিন্যু তৌবা য়াহনহনখ্রে। ভেলিদ ওইদ্রবশিংদি রেজিষ্ট্রেসন কল্লগনি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- দিকেদসিগী মনুংদা ২০২৫ না ম্যান্মারদা পোপ্পি থাবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংলে- রিপোর্ট, পোপ্পি থাবগী মমিং চৎলিবা চুরাচান্দপুরগা তাইনবা চিন ষ্টেট খক্তদা পোপ্পি থাবগী চাং চাদা ২৬ হেনগৎলে হায়বা পাউ বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- ওপোজিসনগী এম.পিশিংদা মণিপুরদা পি.আর থম্বা য়ানিংদবী খোল্লাউ লাউরকপদগী রাজ্য সভাদা চরাংনবা থোকখ্রে হায়বা পাউ অসিগা লোয়ননা সরকারনা মণিপুরবু দিল্লিদগী কন্ত্রোল তৌনবা

হোৎনরোইদবনি হায়না সমাজৱাদি পার্তিগী এম.পি- জয়া অমিতাবচননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল শাংদোকপগী মহুৎতা মীখল পাঙথোক্কদবনি হায়না রাজ্য সভাদা ওপ্পোজিসন মেম্বরশিংনা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা, মণিপুরগী চীংগী তোঙানবা বজেৎ অমা থমবগী ৱাফম চৎনহন্দনবা শকাইরবা মীওই মঙানা ভারতকী প্রসিদেন্টতা মেমোরেন্দম থাখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ষ্টেটকী থাক্তা ইন্তরনেসনেল ডে ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজগী থৌরম পাঙথোকখ্রে, দিসএবিলিতি পার্সনশিংদা থৌনা হাপ্পা চংই- চীফ সেক্রেতরি হায়বা পাউ অসি সনালৈবাক্তা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- আই.দি.পিশিং দিসেম্বর থা মনুংদা ময়ুম ময়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা রাজ্যপাল অমসুং চীফ সেক্রেতরিদা তকশিনখ্রে, আই.দি.পিশিংগী রিল্লে সিট-ইন প্রোটেষ্ট চত্থরি হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা- সেন্তরনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী লুপা কোতি লিশিং ১৫,৯০০ কাইথোক্লে হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- তোখায়বা হিল বজেৎকী মতাংদা সংবিধান খোঙগাউনরে হায়দুনা মণিপুরগী শকাইরবা মীওই ৫ না রাষ্ট্রপতিদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- কেন্দ্রগী সিভিল এভিএসন মন্ত্রালয়না ইম্ফাল-গুৱাহাতি অমসুং দিল্লিগী অহেনবা ফ্লাইট হৌদোক্লগনি হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- তমেংলোংদা ইন্তরনেসনেল ডে ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------